HUEIYEN LANPAO

Refreshingly Reliable

হুয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

হিজম ইরাবত মোমেরিয়ল চেরিটেবল ট্রষ্টনা শীল্লগা লময়ানবা অসিনা লৈখিদবা নুমিৎপু নীংশিংদুনা পিসুম ওইনাম লৈকায়দা লৈবা হিজম ইরাবতকী মিতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা

কুম্বি এ সীদা হান্না বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা খাঙেম্বম নবকুমারনা লুচিংদুনা বুথ লেবেল কম্মিটিশিংগা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা পন্দিট দিন দয়াল উপধ্যাগী ১০৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরম

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ইম্মজেন্সি সর্ভিস ওক্টোবর ১০ ফাওবগী মনুংদা মথৌ তৌবা হৌহন্দ্রবদি সী এস ওশিংগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না অপূনপা নুপী লুপ বিষ্ণুপুরনা ফোঙদোকখিবা

কৈনৌ গ্রাম পঞ্চায়টক ৱার্দ নম্বর ৪দা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা যুমথোং ৫৬তা কৈনৌ থোংথক মনীং লৈকায় দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা চানা থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখিবা

Vol. 44, Issue No.182 | নোংমাইজিং, মেরাগী ১১ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, September 27, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

নৌনা মিনিষ্টর ওইরবশিংগী ওফিস রুম এল্লোট তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচএন এস) :

বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা নৌনা মিনিষ্টর ওইরবশিংগী ওফিস রুম এল্লোট তৌখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী জি এ দিগী অন্দর সেক্রেটরিনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মিনিষ্টর সোরোখাইবম রাজেন, মিনিষ্টর বুংজাগিন বালটে অমসুং মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইগীনা ওল্ড সেক্রেটরিয়টতা অমসুং মিনিষ্টর থোকচোম শত্যব্রট অমসুং মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিগীনা ন্যু সেক্রেটরিয়টতা ওফিস রুম এল্লোট তৌখিবনি।

অসবউদ্দিনবু চ্যের্মেন ওইনা খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচএন এস) :

জিরিবাম এ সীদগী ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইদুনা মীখলদা মায় পাক্লকখিবা এম এল এ অসবউদ্দিনবু টুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুর লিমিটেদকী চ্যের্মেন ওইনা খনখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি টুরিজম এল এন কশুংনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না সেপ্টেম্বর ২৪দা পাঙথোকখিবা টুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুর লিমিটেদ (টি সী এম এল) কী বোর্দ ওফ দাইরেক্টর্সকী মীফমনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না খুদক্তগী এম এল এ অসবউদ্দিনবু টুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুর লিমিটেদকী চ্যের্মেন ওইনা খল্লে হায়না লাউথোকখিবনি।

ইরাবতকী মিতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচএন এস) :

হিজম ইরাবত মেমোরিয়ল চেরিটেবল ট্রষ্টনা শীন্দুনা লময়ানবা হিজম ইরাবত লৈখিদবা নুমিৎ সেপ্টেম্বর ২৬পু নীংশিংদুনা পিসুম ওইনাম লৈকায়দা লৈবা ইরাবতকী মিতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে। থৌরম অদুদা চেরিটেবল ট্রষ্ট অসিগী থৌমীশিং অমসুং মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

যু জি সীনা মণিপুর যুনিভর্সিটিদা লুপা লাখ ৪৩ শেন্দোই য়াওনা হন্দোরক্লবা থৌরক্লে

ঈরোন্নুংদা করি...

মাইবম ধনবির

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেটসিদা লৈবা সেন্ত্রেল যুনিভর্সিটিশিংগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ৩৮ দা মহৈরোয় লিশিং অহুমগী মথক্তা তঙ্লিবা মণিপুর যুনিভর্সিটিদা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভেলপমেন্টকী মখাদ লৈরিবা দিপ্লোমা কোর্স অমগীদমক এসিষ্টেন্স পীরকখিবা লুপা লাখ ৪৩গী শেনফম হায়রিবা কোর্স অসি হাংখিদ্রবনা শেন্দোই য়াওনা হন্দোরক্লবা হঞ্জিন হঞ্জিন থৌরকপদগী এম যুগী মরী লৈনবা ওফিসলশিং মকোক্তা মখূৎ হাপ্লে।

যু জি সীনা এম যুদা পীথরকখিবা য়াম্লবা শেনফম অমা মসিগী পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং পাঙথোক্তবগী মথক্তা মসিগী মরমশিং শুগাইনা কম্মিসননা পীবা ফোর্মেটকী মতুংইন্না পীখৎহৌদবদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন থৌরক্লে হায়বা পাউদগী পাউচে অসিনা মসিগী চপ-চাবা রিপোর্টশিং ফংলকখি।

হায়রিবা শেলয়াম অসি যু জি সীনা হৌখিবা কুমজা ২০১০গী এপ্রিল ১দগী হৌরগা কুমজা ২০১৫গী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা এম যুগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টতা জিওইনফোর্মেটিক্সকী চহী অমগী পোষ্ট গ্রেজুয়েট দিপ্লোমাগীদমক এসিষ্টেন্স ওইনা পীরকখিবনি। ফাইনান্সিয়ল এসিষ্টেন্স অসি যু জি সীগী 'ইন্নোভেটিভ প্রোগ্রাম টিচিং এন্দ রিছর্স ইন ইন্টরদিসিপ্লিনরি এন্দ ইমর্জিং এরিয়াজ'গী মখাদা পীরকখিবনি হায়রি।

ৱাফম অসি যু জি সীগী মায়কৈদগী অন্দর সেক্রেটরি এম পি সিংহনা এম যুগী রেজিষ্ট্রারদা কুমজা ২০১৭কী ওগষ্টতা এদ্রেস তৌদুনা থারকপা চেরোল অমদা পল্লকখিবনি।

চেরোল অসিনা এম যুগী রেজিষ্ট্রার অমসুং কো-ওর্দিনেটরনা ওথেন্টিকেট/সাইন তৌরগা যু জি সীগী প্রেস্ক্রাইভ ফোর্মেটতা এসিষ্টেন্স পীরকখিবা শেনফম অসি শীজিন্নখিবগী দোকুমেন্ট/ইনফোর্মেসন পীরক্লবা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

যু জি সীনা পীখৎলকউ হায়রক্লিবা দোক্যুমেন্ট/ইনফোর্মেসনশিং অসিগী মনুংদা ওদিটেদ যুটিলাইজেসন সর্টিফিকেট য়াওনা কন্সোলিদেটেদ ইয়র ৱাইজ এন্দ আইটেম/ৱাইজ ষ্টেটমেন্ট ওফ এক্সপেন্দিচরশিং যু জি সীগী প্রেস্ক্রাইভ ফোর্মেটতা পীরক্লবা খঙহল্লকখি। অদুগা কন্সোলিদেটেদ প্রোগ্রেস রিপোর্টসু কুমজা ২০১৫গী মার্চ ৩১ ফাওবগী ওইনা পীরক্লবসু খঙহল্লকখি হায়রি।

অদুম ওইনমক যু জি সীনা হায়রিবা দোকুমেন্ট/ইনফোর্মেসনশিং অসি পীখৎলক্লবা মসিগী কোপি অমা এম যুগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী কো-ওর্দিনেটর (ইনোভিটিভ প্রোগ্রাম) দা ফাওবা পীদুনা খঙহল্লক্লবা ফাওবদা পীখৎতবদগী যু জি সীনা জন্যুৱারী ৩০, ২০১৯দা অতোপ্পা চেরোল অমমুক মসিগা মরী লৈননা এম যুগী রেজিষ্ট্রারদা থারকখি। চেরোল অসিনা যু জি সীগী সিনিয়র ষ্টেটিষ্টিকেল ওফিসর এল এন নায়ককী মায়কৈদগী মহাক্কী সেক্সন ওফিসর শ্যাম বহাদুন সাহনা খুৎয়েক পীদুনা থারকখিবনি হায়রি। হায়রিবা চেরোল অসিদসু এম যুগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী চহী অমগী পি জি দিপ্লোমা কোর্স অসিগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

মণিপুরগী কেস মশিং লিশিং ১০ হেনখ্রে, শিখিবনা ৬৪ শুখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচএন এস) :

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা মণিপুরগী ওইনা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং লিশিং ১০ হেনখ্রে, শিখিবা মশিংনা ৬৪ শুখ্রে।

কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ত্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুস্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ২৬০ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। মীওইশিং অসিগী মনুংদা নুপা ১৪৫ অমসুং নুপী ৯৫ পুন্না মীওই ২৪০না জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনি। অদুগা অতোপ্পা ২০ অমনা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) কী পসর্নেলশিংনি। পোজিটিভ কেসশিং অসি রিমসতা ১১৬, জেনিমসতা ২৬, স্বিস হোস্পিটালদা ১, থৌবালদা ১৮, নোনেদা ১, শিজ হোস্পিটালদা ৫, চুরাচান্দপুরদা ১৪, রাজ মেদিসিটিদা ১১, কামজোংদা ২, ইম্ফাল ইষ্টতা ৬, বিষ্ণুপুরদা ২, ককচিংদা ১, মাদর'স ক্যেরদা ১, সেনাপতিদা ২, জিরিবামদা ৬, তমেংলোংদা ২, ইম্ফাল ৱেষ্ট আর এ টিদা ১৭, উখ্রুলদা ১৬, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১৩ থেংনখিবনি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১২০, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৩৬, তমেংলোংদগী ২, উখ্রুলদগী ১৬, নোনেদগী ১১, ককচিংদগী ১, সেনাপতিদগী ২, চুরাচান্দপুরদগী ২০, জিরিবামদগী ৬, থৌবালদগী ২১, কামজোংদগী ২, বিষ্ণুপুরদগী ৩নি। থৌবালদগী ৩, ইম্ফাল ইষ্টতগী ১ অমদি উখ্রুলদগী ৪ পুন্না মীওই ৮না মপান্দগী হল্লকপনি। অদুগা মীওই ২৩২না মপান্দা চৎলুবগী ট্রাভেল হিষ্টরি লৈতবা ঙাক্তনি। নৌনা পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা থমখিবগা লোয়ননা কন্তেক্ট ট্রেসিংনচিংবা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে।

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

শান্নবুং মুন্নবগী ৱাহৌদা উতুপ-ৱাতুপ পায়দুনা খৎন-চৈনবদা পাষ্টর ১ শিরে, ১২ শোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) :

শান্নবুং মুন্নবগী ৱাহৌদা তেংনৌপল পি এসকী মনুং চন্না লৈবা আইমোল চীংনুঙহুৎ অমসুং আইমোল খুনয়ায়গী খুঞ্জাশিংগী মরক্তা উতুপ ৱাতুপ পায়দুনা খৎন-চৈনবদা পাষ্টর ১ শিরে, খুল অনী অসিগী খুঞ্জা ১২না অশোক অপন নংখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ৪.৪৫ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা পাষ্টর অদুগী মমিং থাংজালাল আইমোল (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱলনৈলাল আইমোল কৌই। আইমোল চীংনুঙহুৎ ভিলেজদগীনি। মহাক খৎন-চৈনবা অদুদা শোকপদগী জিবন হোস্পিটাল, ককচিংদা পুখৎলক্লত্তুনা লাইকন্নরক্লবা মতুংদা লৈখিদবনি হায়রি। থৌদোক অদুদা শোক্লবশিং অদুনা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়েংলি। শোক্লবশিংগী মনুংদা খুঞ্জা ২দি অরুবা ফিভমদা লাইকন্নরি। লৈখিদ্রবা পাষ্টর অদুগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেমগীদমক জেনিমসকী মীরেলশঙদা থমখ্রে হায়রি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

এম এল এ ওইবদগী রিজাইন তৌখ্রবা মীওই অনী মিনিষ্টর ওইহল্লিবসি করম্বা তোপ তোপ্পা মগুন লৈবগীনো: কোংগ্রেস

MANIPUR PRADESH CONGRESS COMMITTEE

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) :

এম এল এ ওইবদগী রিজাইন তৌখ্রবা মীওই অনীবু মিনিষ্টর ওইহল্লিবা অসি করম্বা তোপ তোপ্পা মগুন লৈবগীনো হায়না মণিপুর প্রদেস কোংগ্রেস কম্মিটিনা মণিপুর লৈঙাক্তা হংলক্লি।

বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মণিপুর কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা হায়খি, মশানা এম এল এ ওইবা পামদ্রে হায়না রিজাইন তৌখ্রবা মীওই অনীদা মিনিষ্টর ফম পীশিল্লিবা অসি বি জে পিগী লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা এম এল এশিংগী মরক্তা মিনিষ্টর ওইবা য়াবা মতীক চাবা এম এল এ লৈতবগীরা। নৎত্রগা মীওই অনী অসিনা খ্বাইদগী হেন্না মতীক চাবগী মিনিষ্টর ওইহল্লিবরা। এম এল এ ওইদ্রবসু মিনিষ্টর ওইবা য়াদে হায়বগী কনষ্টিট্যুসননা অথিংবা লৈত্রবসু মিনিষ্টর ওইরিবা মীওই অদু তোপ তোপ্পা মগুন চেনবা মীওইদি ওইফম থোক্তব্রা। ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল পুৱারীদা মশাগী তোপ তোপ্পা মগুন লৈবা মীওই কয়া যুনিয়ন মিনিষ্টর ওইহনখিবা লৈখ্রে। অদুবু এক্স এম এল এ লুখোই অমসুং হেনরিদা মিনিষ্টর ফম পীখিবা অসি করি করম্বা গুন লৈবগীনো হায়বা হংনিংই। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা শেঞ্জা-থুমজা তৌরোই হায়না লাউজরবসু হন্দক্তা মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা ও লুখোইনা মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা থবক পঙহাপ্তা হাপকনি হায়না ফোঙদোকখিবা অসি মিনিষ্টরবু ওইরবদি পঙয়াদা য়াবা ওইনা মীয়াম্না খনখিনি। ৱাশকপদা ঙায়রিবা মিনিষ্টর অমনা অসিগুম্বা ৱাফম ফোঙদোকখিবা অসি লৈবাক মীয়াম্না লান্না লৌরোইদবগী মরম

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

HL Poll

Q: Manipur Legislative Assembly gi hangduna leiriba seat kharagi By-Election matam khara yeithokhanningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Minister Reshuffle toukhraba matung asida NPP na BJP na luchingba leingak asi sougatpa thokkhragani haina khanbra?

Yes 36% No 64%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.২২ °C

খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৩৬ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৯১ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০৫

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.০৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- ইতাউদি মীনা শেল থৌরদ্রে তায়দা!



- ঐনা ইংথম খরা চনশিন লোক খরা খুজন কনাম শেল থৌরদ্রে।

এন পি পিগী টিম শিল্লোং পাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) :

বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা য়াওরিবা এন পি পিগী মিনিষ্টর ২ লৌথোরকখিবা অসিগী মতাংদা এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মেঘালয়াগী সী এম কোনরাদ সংমা উনদুনা ৱা তানরুনবগীদমক দেপ্যুটি সী এম ৱাই জয়কুমারনা লুচিংবা এন পি পিগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবগা লোয়ননা শিল্লোং পাংখ্রে।

এন পি পিগী টিম অসি ঙসি নুংথিল ইম্ফাল থাদোকখিবনি। ইম্ফালদগী ফ্লাইট তোংদুনা চৎখিবা এন পি পিগী টিম অসি গুৱাহাটিদা থুংখ্রবা মতুং শিল্লোং পাংখ্রে। মখোয়না শিল্লোংদা এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমা উনদুনা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা মখা তানা শৌগৎখিগদ্রা শৌগৎলরোইদ্রা হায়বগী ফিরেপ লৌগদৌরি হায়রি। পনবা য়াবদি বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টর ৬ লৌথোকপদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী মিনিষ্টর ওইরম্বা এন পি পিগী এম এল এ লাংপোক্লাকপম জয়ন্তকুমার অমসুং ট্রাইবেল এফ্যের্স এন্দ হিলসকী মিনিষ্টর ওইরম্বা এন পি পিগী এম এল এ এন কাইসি য়াওখিবনি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎ মরক্তা মরক্কী মীখল পাঙথোকপা অফবা ওইরোই: জয়কিষন

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসি কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক য়ৌরক্লে হায়নরিবনি। লায়না লাইচৎ অসিগী মরক্তা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়ন্সি খরগী মরক্কী মীখল পাঙথোকপা হায়বসি অফবা ওইরোই। করিগুম্বা তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদে হায়রক্লগনা অকক্লবা চৎন-কাঙলোন লৈহনসি হায়না থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ফোঙদোরক্লি।

খোয়াথোংদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা কনষ্টিট্যুসনগী মতুংইন্না মীয়ামগী মীহুৎ খনবা হায়বসি মরুওইবা অমনি। মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা মীহুৎ খনবা হায়বসি মীয়ামদা পাৱর পীবনি। অদুবু মীয়ামগী ইন্টরেষ্টনি হায়রগসু মীয়াম্না পামদবা থবক্তি তৌফম থোক্তে। কনষ্টিট্যুসন হায়বসিসু মীয়াম্না শেম্বনি। পীক্লবা ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯ শনেদারকপগী চাং অসি ৱাংলি। মতৌ করম্না কদাইদগী লৌনরকপনো খঙদনা লায়না লাইচৎ অসি

...মখা লামায় ৩ কলম ২

আই এ এস, এম সী এস, এম এফ এস ওফিসর খরগী ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর লৈঙাক্কী অন্দর সেক্রেটরি (দি পি) পি ঐচ ভবানন্দনা শর্মানা থোকখিবা ওর্দর অমনা আই এ এস, এম সী এস অমদি এম এফ এস ওফিসর খরগী ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে।

ওর্দর অদুগী মতুংইন্না ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রবা আই এ এস ওফিসরশিংগী মনুংদা বি জেন লাংতিনখুমানা ফাইনান্স অমসুং আই টিগী স্পিসল সেক্রেটরি অমসুং এক্সাইজগী কম্মিস্নর ওইনা, রোবার্ট ক্ষেত্রিময়ুমনা নোনেগী দি সী ওইনা হুংয়ো ৱোর্শানা টি এ এন্দ হিলসকী এদিসনল সেক্রেটরি অমসুং কো-ওপরেটিব সোসাইটিজকী রেজিষ্ট্রার ওইনা, ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোমনা এদ্যুকেসন (য়ু) গী দিরেক্টর ওইনা, খুমন্থেম দাইনানা ইম্ফাল ইষ্টকী দি সী ওইনা অমসুং অনা অরাম্বমনা এফ দি/এ সী আরগী জোইন্ট সেক্রেটরি অমসুং ইনষ্টিট্যুসনেল ফাইনান্সকী দিরেক্টর ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি।

এম সী এস ওফিসরশিংগী মরক্তনা বিদ্যারানি অয়েকপমনা এদ্যুকেসন (এস) অমসুং দি পিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি অমসুং মণিপুর টেক্নিকেল যুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার ওইনা, লাইশ্রম দোলিনা হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন অমসুং দি পিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ওইনা অমসুং অঞ্জলি চোংথাম্না এদ্যুকেসন (এস), এদল্ট এদ্যুকেসন অমসুং পি পিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি।

এম এফ এস ওফিসরশিংগী মরক্তনা এল বাদলকুমারনা এল এফ এ অমসুং এম আই এসকী দিরেক্টর অমসুং সী এ এফ এন্দ পি দিগী সী এফ ও ওইনা, রোজেনদ্রকার নোংথোম্বনা স্মোল সেভিংসকী দিরেক্টর ওইনা, রনেন্দ্র নান্দৈবমনা টি সী আইগী সী এফ ও অমসুং হেন্দলুমগী এফ ও ওইনা, এম রুবিনানা এদ্যুকেসন (এস) কী সী এফ ও অমসুং এম পি এসকী ফাইনান্সিয়ল এদভাইজর ওইনা, মাইস্নাম চনু লীক্লাইনুনা আর দি এন্দ পি আর অমসুং আর ঈ দিগী সী এফ ও ওইনা, কে এস ঐচ ইমোকান্দনা এন আর ঐচ এম মণিপুরগী দি দি ফাইনান্স ওইনা, লোংজম রতনকুমারনা ট্রেজরিজ এন্দ একাউন্টসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইনা, মোহম্মদ রবননা এম আইগী এস এফ ও অমসুং ভিজিলেন্সকী এফ ও ওইনা, চিনলিয়ানহৎ ভাইফৈনা এক্সাইজকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওইনা, চিংখুইলুং রিয়াংমৈনা জিরিবামগী টি ও ওইনা, মেরিংমৈ অগাং কবুইনা বিষ্ণুপুরগী টি ও ওইনা, টি ঐচ শংলৌ মরামনা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রিগী এস এফ ও ওইনা, এন খাগেম্বা মঙাঙনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

মণিপুর লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা ষ্টার্ট অপ মণিপুরনা তশেংনা থবক তৌজরিবশিংদা থৱায় হাপ্পীরি: বিধান চন্দ্রা

গ্যানন্দ নাওরেম

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা ষ্টার্ট অপ মণিপুরনা তশেংনা থবক তৌজরিবা ওন্ট্রপ্রনরশিংদা থৱায় হাপ্পীরি হায়না সাই ইনর্জি সষ্টেনেবল সোল্যুসন প্রাইভেট লিমিটেদ, নাগামপাল, কাংজাবী লৈরক, ওপোজিৎ কেলি মান্দোপ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং ফাউন্দর বিধান চন্দ্রা লোইতোংবমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিনা অখন্নবা উনবা অমদা বিধান চন্দ্রা লোইতোংবমনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা অহানবা ওইনা ২০১৮দগী পায়খৎলকখিবা ষ্টার্ট অপ মণিপুরদা তশেংনা থবক তৌজরিবা মহাকপু খনবিরকখি। মহাক্কী লৈজরিবা শেল খরগী ষ্টার্ট অপ মণিপুরদগী ফংলকপা শেল খরগা তৌদুনা মণিপুর লৈঙাংক্কী ইন্দষ্ট্রিজ লোয়শঙনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী কোরাউপোকপীদা লৈবা ইন্টষ্ট্রিয়ল ষ্টেটতা ৱার্ক শেদ পীবিদুনা কুমজা ২০১৯ জুন থাদগী হোরায় মকুপ, চরু, উতেক-ৱাতেক, উনা-ৱানা, ৱাইনচিংবা অরেম-অখাকশিংদগী শেম্বা ব্রিকেট হায়রিবা শিঙগী মহুৎ শিনগদৌরিবা পোৎশক অসিনা শীঙগী মহুৎ শিন্দুনা চাক থোংবা অমদি চেক্কোনদা চেক মৈ থাবদা শীজিন্নরিবা শীঙ (উ) গী মহুৎ শিনলবদি উমং কোকথোকপদগী খরমখৈদি কনবা ঙমদুনা মালেমগী হোংলক্লিবা অইং-অশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিদগী খরমখৈ কনবা ঙমবখক নত্তনা ইমুং কয়া মহাক্না লোয়ননা থবক শূমিন্নদুনা পুন্না হিংমিন্নবা ঙম্নবা পান্দমদা মহাক্না থবক অসি পায়খৎপা হৌরকখিবনি। মহাক্লুম্না তশেং-তশেংনা থবক তৌজরিবা মীওই কয়াদা মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টার্ট অপ মণিপুরগী তেংবাং কয়া থম্মোয় শেংনা পীবিবা অসিমকসু মণিপুর লৈঙাক্কী অচৌবা খুদোল অমনি। মসিগীদমক মণিপুর লৈঙাকপু থাগৎফমসু থোকই হায়নসু বিধান চন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

বিধান চন্দ্র লোইতোংবমনা মখা তারদুনা হায়, মণিপুর পূম্বগী ওইনা নোংমদা লুপা লাখ ৩০গী মথক্তা লৈবা শেনফমগী শীঙ থাদূনা শীজিন্নরি। খুঙ্গং অমসুং চীংগী ওইনদি শীঙ নৎত্রগা মৈতন থাদূনা চাক ঈশিং থোংবা নৎত্রগা শেন্থোক লন্দী শেক্সগী চৎনবী অসি লেপ্পা লৈতনা চথরি। চেক্কোনশিংদসু শীঙ নৎত্রগা কোইলা শীজিন্নরি। শীঙ নৎত্রগা মৈতান লেপ্তুনা শীজিন্নবা অসিনা নোংমা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫